# চাইনিজ ফাওবা খুদুম চল্লম্বা ঐখোয়গী ঈনি

**(পানা-লূপ্তনা কংলৈপাক অসি কনবা ঙমগনি। ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা লেঙদ্রবা অফবশিংদু অমুক হিঙ্গৎহনসি। ষ্ট্রিক্ট হায়বদি য়াম্না চেকশিন্না থবক-থৌরম পূম্নমক শেমদোক্লগা পাঙথোকসি। ইশানা লেপচবা ঙম্নবা হোৎনসি, মীগী মতেং লৌরোইসি।)**

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –
(তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা)

হৌজিক্কী মতমসিদা মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংসি - ‘করম্বা মতমদা ঈহৌ অসি লোইখিগদগে?’’ ৱাহং অসিগী করম্বা পাউখুম ওইগদৌবগে হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না খন্থফম থোকই খঞ্জে। চহী ২০ মুক ফজনা প্লান শেম্লগা চত্থরকপা, চাকখৎলকপা মৈবুলবু থা খরদা থোক হেক মূত্থৎলক্কনি থাজদে। নুতিগী অয়েৎপা পীরিবা কাঙবুসি করম্বা মখলগী মীওইশিংনো হায়বদুদি হৌখিবা পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইরি। মখোয়সি মিক্স ব্লদকী মীওইশিংনি। কোইচৎ-চৎলগা হিংবা ফুরুপনিনা মখোয়গী ৱাখলদসু অমসুং থবক্তসু লেংল-লেংলগা কাকফৈ, তিনফাদৌনা মীতোপকী ঈ চূপ্পা জীবগুম্বনি মখোয়সু। মতমতনা চপ চাবা পাউখুম পীবা ঙমগনি। অফবা, অচুম্ববু মায়থীবা পীরিবা কাঙবুনি।

চহী ২৮২ মুক্কী মতমদা লাকখিবা মখোয়সু য়েলহৌঙৈগী মীনি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্না গেজেট অমা কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩দা ফোঙদোক্লবগী মহয়নি ঙসি ঐখোয় পূম্নমক্না ফংলিবা কোক্কী মৈশাসি। তাঞ্জা অমসুং ঈহৌ অসিনা ঐখোয় পূম্নমক পুল্লপ পুনশিনবগী ঈহৌ অমসুং ইনোৎ অমদি ফাওহল্লি। অদুবু অপাকপা অমসুং কায়খ্রবা মিংশেলগা চপ মান্নরিবা খুন্নাই অসিদদি ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী ৱাখলসি অমসুং থবকসি পাক হেক য়াদ্রি। খ্বাইদগী মরু ওইবদি - খুন্নাই অসিগী ৱাখল অমসুং থবকসি লূপ অমতংগী, মীচম মীয়ামদগী অয়াবা লৌরগা পাঙথোকপা অদুনি।

খুন্নাইসিগী অহল-লমনশিংনা শেম্লম্বা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক চৎনসি। কংলৈপাক অসি অমত্তনি। হীরম খুদিংদা অমত্তা ওইরিবা ইমা লৈবাক অসিগী খল্লগা পাঙথোকসি। ঐখোয়বু পোকপীবা ইমাদগী হেনবা ইমাদি ইমা লৈবাক অসিনি। ঐখোয় পূম্নমক ইমা লৈবাক্কীদমক অঙম্বা থৌদাং পাঙথোক্তবা য়াদে। মসিদগী হেনবা ইথৌ অমত্তা লৈতে।

ঙসি ঐখোয়না হিংলিবা পুন্সি মহিংসি করম্বা মখলগী পুন্সিনো? মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা অসিগুম্বা মওংগী পুন্সি ওইদে। ইম্ফাল এরিয়াদা লৈরিবা মীয়ামগা, চীংয়া-তময়াদা লৈরিবা মীয়ামগা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নরি। চীংখোঙদা লৈরিবা মীয়ামদি হায়নীংঙাই লৈতনা ৱানা হিংলি। থা ৩ হেল্লবা মতম অসি ফাওবদা লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংদগী পাঙথোকফম থোকপা মথৌদি পাঙথোক্তরি। অঙকপা লৈঙাকনি।

হন্দক্কী থৌদোক অসি মীচম মীয়াম ঐখোয়গীদি এসিদ টেষ্টনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী পাঙ্গল, শক্তি, লৌশিং উৎখ্রে কনাগীসু মতেং লৌদনা। মীচম মীয়াম ঐখোয় হিংবা ঙমই হায়বদু। ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না মীচম মীয়ামগী মতেং করম্বা হীরমদা পাঙখিবগে? শুকপাং পাংখিদে। ঐখোয়না ঙম্ননবা হোৎনজবনি। লৈঙাক য়াওদ্রবসু মীচম মীয়ামদি হিংবা ঙমই হায়বদু উৎখ্রবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক, ইন্দিয়ন আর্মি, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং মীৎয়েংলোই ঙাক্তা ওইখি অমসুং ওইরি। সর্ভাইভেল ওফ দি ফিটেষ্ট হায়বা থিওরি অদু মতম পূম্নমক্তা চুল্লবা ৱাফমনি। মীচম মীয়াম ঐখোয়না হোৎনজরগা হিংনবগী পাম্বৈ থিজবনি। হন্দক্কী ঈহৌ অসিদগী অচুম্বা অমসুং অশেংবা পুৱারী ইহৌরগনি। মীচম মীয়াম্না খুন্নাই অসিগী মীহুৎশিংসি করম্বা মখলগী জীবশিং ওইরমখি হায়দুনা শুক্কাউ কাউবীগনু। শেলনা লৈবা য়াবা মী ওইবিগনু।

ঐহাক্তি হন্দক্কী থৌদোক অসিনা পুন্সিগী খ্বাইদগী চাওরবা, লুরবা পড়া খরদি তমহৌরে। অসি ওইরে মীওইবগী মপোক হায়বদু খঙহৌরে। লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক অসিগী মনুংসিদসু ইমুং-মনুংগী ৱাখল খন্থবা ৱাৎপশিংগী পুন্সিগী মতম মাঙহনবা থৌদোক ৱাথোকশিংসু লোইবা নাইদনা থোক্লি। ৱাখল ৱাৎপা ইমুংশিংসি ৱানা হিংবা হায়বসি হৌনশানি। ফত্তবদি ৱানা পুন্সি লেনবনি। মালেমগী মফম অমত্তদা ইলেক্সনগী মতমদা শেল য়েল্লগা শেলনা ভোট লৈদে। অদুবু সনা মচুতমক ঙাইরবা লমদম অসিদদি শেলনা লৈরগা ইলেক্সনদা মায় পাক্লি। মসিগী কলচর অসি চৎনরিবা মখৈ কংলৈপাক কনবা ঙম্লোই। লমদম অসি শরুক অহুম থোক্লা মচেৎ তাবগী মরু ওইবা মরমদি করপসন, করেক্টর, কলচর ঙাক্লা চৎতবদগীনি। লৈঙাক হায়বসি করিনো খঙদবা কয়াবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খল্লুবদগী ঙসিগী অৱাবসি মীচম মীয়াম্না ফংলি। মসি ঐনা তৌবনা ঐনা ফংই হায়বদুগী ৱাফমনি। অসিগুম্বা চৎনবীসিগী অরোইবা মতম কুমজা ২০২৪গী এম পি ইলেক্সনদা শোয়দনা অহোংবদু উবীগনি। ফত্তবা কয়াগী মপুন্সি লোইবগী তাঙ্কক শোয়দনা লাক্লনি। কংলৈপাক অসিদা অনৌবা অহোংবা, অফবা মঙাল অমা শোয়দনা ঙাল্লকখিগনি।

মণিপুর অসি লাইরিক-লাইশুগী খুন্নাই ওইদে। অদুনা অফবা ৱাখল খনবা ঙমদে। হেন্না অফবা থবক পাঙথোকপা ঙমদে। লাইরিক-লাইশু ৱাৎপা, মীওই অমদগী করি অফবা থবক উবা ফংগদগে? মণিপুরী লিটরেচর অসি থাক য়াম্না নেম্লি। ইংলিসকী সেন্টেন্স অসি নীংশিংসি - "You cannot fool all the pepole, all the Time". লৈঙাক্কী মতিক চাদবশিংনা তৌনীংবদা তৌরিবসিগী অকায়বা নুমিৎ শোয়দনা লাকখিগনি।

হৌজিক মণিপুরদা ফোঙলিবা পাউচেশিংসি অমগা অমগা শুকমান মান্নদবা য়াম্না য়াওরি। কুকিশিংগীদমক ফোঙবীবা পাউচে খরসু য়াওরি। ৱাখল অসুক থেনবসি পাউচে খরদসু উরি। চুমদবা পাউসু য়াম্না ফোঙলি। জর্নেলিজমগী ইথিক্স অসি করিনো খঙদবগী মমি পাউচেশিংদা য়াম্না তারি। তোকঙা ফোঙবা পাউচে ওইবীগনু। খুন্নাই অসি চাওখৎহনবদা পাউচেশিংসু মতেং পাংবীয়ু।

চহী অসিগী জুলাই ২৩দা সুপ্রিম কোর্টনা ঐতিহাসিক ওইবা ভর্দিক্ট অমা পীখ্রে মদুদি পুলিসনা Section 66A of the Information Technology Act কী মতেং লৌরগা Facebook, Twitter, Linked In, WhatsApp নচিংবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা ৱাফম অমা ইন্টরনেটতা হেক থাগৎলুবদা এরেষ্ট (ফাবগী) রাইট অদু পুলিসতা লৈরমখি। অসিগুম্বা থৌওংসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ (১) এনা পীরিবা Right to Freedom of speech and Expression to every Citizen of the Country অসিগী মায়োক্তনি হায়রগা Scrapped down (কককথৎখ্রে) Section 66A of IT অসি। অচুম্বা পাম্বশিংগী মায় পাকপনি। অদুগা খঙ-হৈরবশিংনা মশীং হেল্লবা খুন্নাই অসিদদি ইগদৌবা ৱাফম্না ইদবা, ইরোইদবা ৱাফম্না ইবসিদা চাওখৎ লমজেলদা অপনবা পীরি হায়বসি কাউরোইসি। ৱাখল মুন্না খল্লগা ইসি। লৌশিং হেনগৎহনসি।

এয়র কন্দিসনগী রুমদগী লৌবা ৱারেপ পূম্নমক চুমগদৌবা নত্তে। লায়রবা মীয়ামগী অৱাববু এয়র কন্দিসনগী যূমদা লৈরিবা মীনা খঙগদৌবরা? মণিপুরদা ঈরাং থোকপা খুদিংগী খুদোংচাবা লৌবা মী খরা হিংলি। মখোয়সি মীয়ামগী য়েক্লবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা খুন্নাইসিগী থাঙ্গৈশেংবা য়েক্লবদি ইমা লৈবাক অসিবু মফম মরাং খঙদনা মাঙহন্নবা, মচেৎ মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরিবা ময়ামসিনি। মীতৈগী য়েক্লবদি মীতৈগী মরক্তা অদুম থায়না মমাঙঙৈদগী লৈরক্লি। মীতৈগী মাঙনবদি মীতৈনা শিনখিবা, শেমখিবা ঙাক্তনি। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা- ইমুং অমগী অচুম-অরান পূম্নমকসি ইমুংদুগী অহলনা খঙলিবা ঙাক্তনি। মতম চানা অরানবশিংদু চুমথোকহৌদ্রবদি ইমুংদু লৈখা তাবা হায়বসি হৌনশানি। অসুম্না লৈবাকসু লোইখিবা তাবনি। লমচৎ চুমদবা মীনা লৈঙাক্কী মপু ওইবা য়ারোই।

তেনখ্রবা পুন্সি অসি কান্নদ্রবা থৌরেম-ৱারেমদা মতম মাঙহল্লোইদবনি। মোবাইল ফোনদা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং চূপ্পা ৱারী শাবা মীশিং হিংলি। য়াম্না ঙকই মখোয়গী পুন্সি মহিংদু। হৌজিক্কী মতমসিদা মীয়ামগী থবকসি মীয়াম্না পাউচেশিংদা উবীরি। ঈহৌ অসি ঈরাং অমগী মওংদা ওন্থোকপীগনু। পাঙথোক্লিবা পূম্নমকসি চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তদি নত্তে। ঈহৌসি অফবা-চাওখৎপা মায়কৈরোমদা চঙশিনসি। চাওখৎনবগী থবক্তি লেপ্তুনা চত্থবিয়ু। ফত্তবা মীগী থবক্লা ঐখোয়গী চাওখৎ খোঙথাংদা অপনবা লৈহল্লোইদবনি।

কংলৈপাক্কী পুৱারীগী লমাই খরা হাইগৎতুনা পারুবদা শীংথানীংঙাই ওইবা ৱাফমশিংসি মীয়ামদা অমুক হন্না নীংশিংজরি। খাগেম্বা নিংথৌ হায়বদি (খাগে হায়বদি চাইনিজ) চাইনাগী টেরিটোরি খরবু মায়থীবা পীবা ঙমখি হায়দুনা খাগেম্বা কৌখি। মহাক কুমজা ১৫৯৭তগীনা ১৬৫৪ ফাওবা হিংলমখি। মহাক্কী মতমদা মীতৈ নুপাশিংগী পানা-লূপ হায়বসি খ্বাইদগী ফজনা লৈরমখি। লূপ অসি নুপা অমনা পাঙথোক্কদৌবা মথৌশিং হায়বদি ইমুং মনুংদগী হৌরগা লৈবাক্কী থৌরমশিং অমসুং লানফমদা পাঙথোকপা পোরমশিং ফাওবা তম্বীবদুনি। অদুগুম্বা ফজখ্রবা অমসুং তমজনীংঙাই ওইরবা লিচৎ-শাজৎ অদু বৃটিশনা কংলৈপাক্তা খুদুম চনখ্রবা মতুংদা পুম্মাং মাঙহনখি। পানা-লূপ অমুক হিংগৎহনবগী য়াম্না তঙাইফদবনি। পানা-লূপ অসিতনি নুপাগী লূপতি।

হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিং, নহাশিংদি ১০০গী মনুংদা ২০/৩০দমক দিসিপ্লিন লৈবগী মমি উরি অদুগা চাদা ৬০/৭০দি মমা মপাবু পূম্না য়োৎলগে হায়বা হংকোক ঙাক্তা ওইরে। করি নুংগী মচা পোক্লুরিবনো খনবা মমা-মপা য়াম্লবনি। চহী ২০/৩০ শুরবা নহাশিংসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল মখলগী চারি। খৎন-চৈনবদা মমা-মপা ফাওবা মচা কন্নবা হোৎনবদা ৱাকোক চারি। পুলিস ষ্টেসনদা চৎপগীসু ইকায়বা লৈনদরে। খুন্নাই অসি ইকায়বা হায়বদু পুম্মাং মাঙখ্রবা লৈবাক ওইরে। মীওইবা ঐখোয়দি অফবা-ফত্তবা অনীসিগী খেন্নবদু খঙগদৌবনি। মীওইবদি মান্ন-মান্নবদু তিন্নবনি। ওক্তবগা-ওক্তবীগা পুনবনি। অফবগা-অফবীগা পূনবসু হৌনশানি।


খাগেম্বগী মতমসি কংলৈপাক্কী পুৱারীদা গোল্ডন পেরিওদনি হায়বা য়াই। মহাক্না অনৌবা অফবা থবক কয়া মীয়ামগী শেম্বীরমখি। পোলোগী মওংসি মহাক্না শেমদোকখি। কৈথেল য়াম্না শারমখি। চাইনিজ (মহাক্না পুরকপদুনা) থোংশিং অমসুং ৱালশিং শেমহনখি-শাহনখি। কংলাগী গেট অসি চাইনিজনা শারমখিবনি। চেক শাবসু চাইনিজনা মফম অসিগী মীশিংদা তম্বীখি। খাগেম্বনা Coins বু হৌদোকখি। ঙসি লমদম অসিদা 17th Century গী মতমদা চাওখৎলম্বদুগী মমি তাদ্রে। লমচৎ-শাজৎ ফজদবদগী খুন্নাই অসি পুম্মাঙ মাঙখিবনি।

ইন্দিয়াগী হংলাই ফম্নাইবা মকোক অদুদা কংলৈপাক্কী নিংথৌ খাগেম্বনা চাইনিজবু খুদুম চল্লমখি হায়বসি কনানা হায়খ্রবগে? ইন্দিয়া অসি চাওখৎপা লৈবাক নত্তে। ৱাজাও ঙাঙবা, ৱা য়াম্না ঙাঙবা, মী উশিৎ থৌওইদবা, মশা মতোমতা য়াম্না চাওজনীংবা কাঙবুনি। মখোয়সি মঙকশমদা নিকপা অমা চংই। পার্লিয়ামেন্টকী বিল্ডিং অদু নিকহনবা ঙম্বা মী অমা কংলৈপাক্তগী খল্লগা থাসি। কংলৈপাক ওনসি মণিপুরদগী। অপীকপা মতিক-মগুন লৈবা ফুরুপ অসি করম্বনো হায়বদু মালেমদা উৎসি। ঐখোয়গী ভিজন অসি ৱর্ল্ড-ৱাইদনি, দেল্লীতমক নত্তে।

ইচাশা কনাগীসু মতেং লৌদনা ঐখোয় পূম্নমক্না লানসি মায়োক্লসি। ঐখোয়গী ঈদি চাইনিজ ফাওবা খুদুম চনবা ঙমখিবা ফুরুপনি। কুকিদি করিসু নত্তে। হৌজিক্তি ঐখোয় পূম্নমক লাল্লোং খঙলে। অশোক-অপন হন্থরে। মখোল থোক্তবা খূৎলায়শিং পুথোক্লগা Cynide তৈরগা মখোয় লোইশিনসি। চীং মথক্তা কারুগনু। ঐখোয়গী ইপা ইপুদি সনাগী লিক শীদে। খূৎতা নুপীদৌনা খুদোপনা লৈতেংদে। ময়াংগী মতৌ তমলোইসি। মহৈ য়াম্না পানবা পাম্বীদৌনা নোল্লুকউ। পুন্সিসিদা অচুম্বা ইথৌ পাঙথোকপনিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি। ঐখোয়দি কোকতা শম কয়া পাল্লি খঙবা ফুরুপনি। ●

# অনী শুজিনখ্রবা ইহুল

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -



মশা ফবা, মতৌ লৈবা হিরো ওইবা মী অমদগী লিভর সিরোসিস নারবা মী তরানা হেন্না মমল য়াম্মী ঐখোয়গী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিংগী পূক্লিং মনুংদা। মালেমগী শান্নবুংদা সনাগী লিক্লাং ফংদুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লিবা মণিপুরগী শান্নরোয় চাম্মদগীদি ইন্দিয়াগী ট্রেন ষ্টেসনশিংদা পৈশা নীরিবা ভোটর লিশীং অমনা হেন্না মরু ওই ইন্দিয়া লৈঙাক্না। মসিগুম্বা ৱাখলসি প্রাইম মিনিষ্টরদগী হৌরগা চীফ মিনিষ্টর, এম এল এ, জিলা পরিষদ, প্রধান, ৱার্দ মেম্বর, টাউন কম্মিস্নর ওইদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবিরিবা ঐখোয় শ্বাইগী মীহুৎ খুদিংমক্না লোইনা খঙই। লোয়ননা থম্মোয় মনুংদা য়াওরগা লৈ। থম্মোয়দা লোন্না লৈবদু মীনা খঙদনবা হোৎনবদা মরক মরক্তা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাহৈসি য়াম্না কিজনা হায়বা য়াওই। অসুম্না মীহুৎ ময়ামসিনা (কাহৌদবা ময়ামসু য়াওনা) অরোনবা ৱাখল অমা সুম খনবদুননি ঙসি মীয়াম্বু লুচিংবীনবা লৈত্রিবা। মণিপুরগী যূম্বী মহৈরোয়শিং হৌজিক লাইরিক তম্বা ফংদ্রিবা। টোটি ঈশিং তাদ্রিবা। পোৎ-চৈগী মমল কয়া পীরিবনো হায়বা অয়োনবা মীদা হংদ্রবদি খঙদ্রিবা। পূম্নমকসি ইন্দিয়াগী মনুংদা ওইবনিনা মীশিং য়াম্বনা হায়রগদি চুমদৌবা ৱাসি মশীং য়ামদবনা হায়বনিনা অরানবনি। ইন্দিয়ানা মীশিং য়াম্বা হিন্দুস্থান ওইনবা হিন্দুবু ওইরবদি স্বর্গদগী লাক্লবসু ইন্দিয়াগী আধার পায়বা য়াই। মসি খঙবদগী মিজোরামগী সী এমসু ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকপশিংগী আধার শাবীরি। মণিপুরদা মী শিবদগীদি মহারাষ্ট্রদা গাড়ী লোংবনা লৈবাক্কী পাউ ওইরি। মণিপুরদসু মচিল মনাও য়াম্বা ইমুংগী থৌরমদা মিনিষ্টর, এম এল এগী মশক উৎনৈ। থৌরম ময়ায়দা নোকফেৎ তৌরৈ। অশিবগী লান্ন-থৌরমদসু। মীশিং য়াল্লিমখৈ কান্নখ্রবা ইন্দিয়াগী মণিপুরদা য়েলহৌমী কাঙলূপকী মীশিং হেনগৎপা ইঙম ঙমদে। মসি অতৈ মরম অমতগী নত্তে। য়েলহৌমী ওইজবা কাঙলূপকী মীশিংদি মমানা পোকপা মচা ঙাক্তা ওইবগীনি। মীশিং হেনগৎপদা মণিপুরদা ফর্ষ্ট তারিবা কাঙলূপ অমগী মীশিংদি মমানা পোকপা অমত্তা ওইরমদ্রে। মখোয়দি খুনগী নিংথৌশিংনা পোকপা ওইরম্লে। মরম খিবিক অসিনা মণিপুর থুগাইনীংবা কাঙবুশিং মী ওইনা পোক্তে কাংগুম্না ওল্লি। পূম্নমক মণিপুর ইমাবু থৌগল তৌরিবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা মুন্না খঙই। খঙনা খঙনা খঙদে মশাগী কান্নবা ফংনবা। লুচিংবশিংনা মশাগী কান্নখিবদৈ ময়ূম ফজবা য়েংলিঙৈদা মণিপুরগী ফজবা য়েংহৌদদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কদাইদনো খঙদ্রে।

লুচিংবশিংসু মী কৌবনিনা মীয়াম্না হায়নবসু খরদি তারি। খুদম ওইনা - মখোয়গী ঈজৎ শোকপা ৱা হায়রে হায়দুনা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎপসু য়াওনরি। মখোয়সি ঈজৎ য়াওরিবোই নীংবা মাল্লি। খঞ্জসনু মখোয়না খন্দনা মী অতৈ অমত্তনা খল্লরোইদবা ৱাখলনি। মণিপুর মৈ চাক্লিবসি কন্নবা ৱাখল খনবদি হৈতদুনা ঈজৎকী কোইচেল চেল্লিবা হে লুচিংবশা মীচম মীয়ামদি যূম মৈ চাকপা কন্নবা হোৎনবদা ফিথুংদ্রে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়দনবা খনবদা লমজা-শরা ওইরে। লমজা-শরা হায়রিবসি মমাগা মপাগা শিখ্রবা হায়বনি। নখোয়বু হিংলিব্রা খঙজদ্রে। ৱারবা মীচম মীয়াম্নদি হিংলমখিনি হায়দুনা কোইথি থিনরি নখোয়বু।

ঈজৎ শোক্লে হায়রবনিনা হিংবদি শোয়দনা হিংলমখিনি খল্লি। নখোয়না খংপ্রেক খংপ্রেক খংদুনা অমুক অমুক লাওরকপদা মীচম মীয়াম্না নখোয় লৈরি হায়না হরাওজরি। খোঞ্জেলদি মরক মরক্তা তারি থবক ওইনদি মীৎসিদা উজদ্রি। মীচম মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌগনিকা হায়খিবনি। নশাগী ওইবা ঈহুল অমত্তা য়াওজদ্রবসু মীচম মীয়ামগী ঈহুল খঙলবদি য়ারবনি খঞ্জখি। অদুবু ঙসি ফাওবদি মীচম মীয়ামগী ঈহুল খঙবীদ্রি। ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা মীচম মীয়ামগী ঈহুল খঙলকপা মীকুপতো মীতৈ মচা অমা ওইনা ইমিৎসিনদি উজনীংদবনি। অহলনগা ওইশিল্লকপসিদা উজবা ফংলরোইদ্রা হায়বগী ৱাজৈদো। কুকিশিংগী ওইনদি লান শোক্লরিবসি থা তরুক শাংদোক্লে হায়দুনা মীতৈগী লৌ মখোয়না উশিনখ্রে। লৌ লোকপদসু নোংমৈ কাপতৌরি। ঐখোয়গী লৈঙাক মপু, লুচিংবশিং - মীচম মীয়ামগী ঈহুলদি হৌজিক অনী শুজিনখ্রবনি। অহানবা ঈহুলনা থৱায় কনবীয়ু হায়বনি। অনীশুবা ঈহুলদি থৱায় থারগে হায়বনি। মীচম মীয়ামগী ঈহুল অনী শুখ্রবনিনা লোৎলুরনু থোকপীরক্লো। ●

# ‘মিং’ না য়েক্লবা ওইরবরা? - (২)

সোইবম মঙ্গিজাও মৈতৈ

কুমজা ১৮৭০দগী চুড়াচান্দপুরদা খুন্দারক্লবা মীতৈ খুলশিং পাট্রাসু পায়রিবা পূম্নমক তেমখায়দুনা লম্পাক ওন্থোকপা, বাউন্দরি মমিংগা, নূঙ য়ুংনবা তৌরিবা, বঙ্কর শাজিনবা অসিগী নুংগী ৱাহন খন্থমিন্নবা চংই। করিসু লৈতে খল্লম্বা মিংগী ৱাফম হৌজিক্লা করি তৌরবা খেন্নবা খঙমিন্নসি।

লমগী মমিং (তোপোনিম) থোনবা ওইরো, ফুরুপকী মমিং (ইথনোনিম) থোনবা ওইরো অতোপ্পনা থোনবা মিং (এক্সোনিম) অতোপ্পশিংগী খুদোংচাবা য়েংলগা থোনবনি। ঐখোয়না থোনজবা মিং (এনদোনিম) ঐখোয়গী খুদোংচাবা য়েংলগা থোনবনি। মরম অসিনা লৈবাক্কী মমিং ‘মণিপুর’ গী মহুৎ ‘মৈত্রবাক’ কৌবা ‘মণিপুরী’ গী মহুৎ মীতৈ কৌবা ‘মণিপুরী’ মহুৎ ‘মৈতৈলোন’ কৌবা অমদি লাই খরগী মমিং, লম খরগী মমিং অরানবশিং চুমথোকপা অমুক হান্নগী অশেংবা মমিংদা হঞ্জিনহন্দ্রিবমখৈ মৈতৈগী অৱাবা কোক্লোই। হৌজিক হৌজিক তৌরিবা কুকি মীতৈগী লান অসি প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা, মীপূম খুদিংনসু কুকি অমসুং মণিপুরগী লান হায়দে। কুকি মীতৈগী লান হায়রি। ফোংলি। মণিপুরী হায়রগা মৈতৈবু খঙনদে। ফুরুপ অতৈবুসু আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমদে। চুড়াচান্দপুরদা হৌজিক হৌজিক মৈতৈলোল ঙাঙবা থিংলি। মণিপুরী হায়দে। মণিপুরীলোল লৈতে হায়রিবনি। খুদমশিং অসিনা তাক্লি অরানবা মিং মণিপুর, মণিপুরী হায়না শীজিন্নবা য়ারক্তে, ঙমদে হায়বা। অরানবা, ওইদবা হায়বসি মখোঙ তেল্লি, লাংখোঙ কানবা ঙমদে হায়নরিবনি। করিগুম্বা হন্দক এসেমব্লি ফম্বা মতমদা ৱারেপ কয়া লৌগদবশিংগী মনুংদা ‘মিং’ গী ৱাফম অসিসু বিল ওইনা খন্নবা, পুথোকপা মতাং চাই, মীয়ামগী অপাম্বসু ওইগনি নীংজে। মিংগী ৱাফম অমসুং অহোবা ঙমখৈ অনীসি ওনরেবল মিনিষ্টর, এম এল এশিংনদি করিসু লৈতে, কান্নদে খনবীরম্বদি য়াই। অদুবু পূক্লিংদি চিংশিনজরি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমনা ‘মিং’ অসি ঐখোয়না লায়না লৌই। খুদম - ‘কৈথেল’ হায়গদবদা বজার হেক্তা হায়। বজার হায়রগা শেল মমল তাবসু নত্তবা, মমল পীদবা য়াবসু নত্তবা। করি তোংজবা ফংলিবগে? কৈথেল হায়রবদি ইমা ইবেলশিংগী শক্তম মীৎতা উগদৌরিবনি। ইংলিসকী পাউ পাবদা ‘‘ওল ইন্দিয়া রেদিও’ হায়বগী মহুৎ ‘অকাসবানি’ হায়খ্রবনি। মসি মিংগী অরুবা, কান্নবা লৈবগীনি। খন্থফম থোক্তবরা?

ইমালোন, ফাওনলোনসু ওইরিবা মৈতৈলোনবু ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবা হাক্তক্তা মীওই কাঙলূপ খরনা ইন্টেলেকচুএল মালপ্রাক্টিস তৌখি হায়বা হৌজিক নোংমা নোংমগী ময়েক শেংলক্লি। ‘মৈতৈলোন’ হায়দ্রদুনা ‘মণিপুরী’ হায়না চল্লুরে। মীতোপ্পা ঐখোয়বু লাইরিক হৈ, ৱাখল লৈ হায়রমগদরা? কয়াম কুইনা ওইদবা ঙাঙবা, মীনম্বা য়াগদগে? চুমথোক্লবদি ঐখোয়দা হীরম কয়ামুক্তা মাঙজবা ঙাক্তা ওইরগনি। অদুগা অমুকসু ‘মণিপুরী’ লোন অসি ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চনবীয়ু, চলহনগদবনি হায়রি, লাওরি মসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিবু পঙই হায়না লৌগদৌরিব্রা? মরমদি ক্লাসিকেল থাক্তা চনবগী ক্রাইটেরিয়াগী মনুংদা অমা ওইরিবা High antiquity of its early texts/recorded history over a period of 1500-2000 years হায়রি। পীরম্লিবা অসি কুপশিল্লগা এম এ, প্রোফেসর, ডোক্টরেট দিগ্রী হোল্ডরশিংগী, মিনিষ্টরনি হায়দুনা ‘মণিপুরী’ হায়রুবগী চহী শুদবা অদু হাপকৎপা য়াগদৌরিব্রা? চনববু ঙমগদৌরিব্রা? হংনীংঙাই ওইদবরা? লৈবাক্কী মমিং ‘মণিপুর’ কৌদ্রিঙৈ মমাঙদা কথে, তিনলিকোকতোং, পোইরৈ, মৈতৈ লৈবাক, মোঙ্গোলাই হায়বনচিংবা কৌরমই হায়। কংলাদি কোনুংনি হায়রি। অদুবু মৈতৈগী মিদ অমদি হিষ্টোরিনা ‘মৈতৈ লৈবাক’ থোল্লি। কৌনরিবসিমঙাই। অদু কৌনি, অদা থোননি হায়বসি চাওখৎ-থিন্নবনি হায়জনীংই। টি সী হদসননা ইরম্বা "The Meitheis (1908)" হায়বা লাইরিক্তসু ‘মৈতৈ লৈবাক’ হায়না ইরি। পংইতা ইবা নত্তে। থোল্লম্বা কৌরম্বগী ইরিবনি। খন্থফম থোক্তবরা? মৈত্রবাক হেক হায়বদা মৈতৈ (চীং-তম অনীগী য়েক সলাই লৈবা) বু খঙনৈ।

চীংমী, তম্মী অনীগী প্রাইদ, আইদেন্টিটি য়াওরিবা, তাক্লিবা মমিংনি মৈত্রবাক। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা ইখেং তানা, থৱায় কৎনা ঙাকচ-কঞ্জনরকপা লৈবাকনি। মৈত্রবাক! ইপা ইপু কাউনবা থোল্লম্বা মিং ‘মণিপুর’ না মহুৎ শিনফম থোক্তে। লৈবাক্কী মমিং হান্নগীদা হানজিনহনবা পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি পুরক্লবা অচৌবা মরমনি। অদুবু মীয়াম্না খল্লকপা মীহুৎশিংনা মৈতৈলোনবু নুংশিবা পোক্তবা অমদি পোলিটিক্স করিনো খঙলমদবা অসিদি খুন্নাইগী লাইবক থীবা হায়বদু ওইরে।

নীংশিংজনীংবা অমনা তোলোপনা গভর্ণমেন্টনা পীবা থবক্লা মরন্নাইগী তৌবা মশাগী শেল তান্নবা তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী পুকচেল সেন্স ওফ পেট্রোটিজম লৈবীবগা লোয়ননা পুকচেল শেংবা তুংগী মীরোলবু য়েংবা তঙাইফদরি। মতম কয়াগী হৈনবী ফত্তবা থাদোক্লসি ঐখোয় খুদোংথীবা তারে। ‘মৈত্রবাক’ মিংগী ৱাহৈসিনা ইপা ইপুগী ৱারী শীংবুল লীরিবনি। মচা মশু ওইরিবা ঐখোয়না কাউফম থোক্লিবরা? অসুক নুংশিখ্রবা, পাম্মুখ্রবা মিং হান্নদগী, হৌবদগী লৈরক্লবা (Primordial) মিং অসি তোকথোক্তুনা খাঙুথক্কী মমিং ‘মণিপুর’ থোল্লুবনা য়েক্লবা হায়বদু ওইররে। মহয় ফংলে ঙসিদি! মৈত্রবাক! মৈত্রবাক! হা! থম্বাল লাইবক চাউবী ‘নু’ না লোইবী ‘মিং’ না য়েক্লবা ওইরেদো। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১**

১) **‘‘লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **‘‘খুদোল্লে’’** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **‘‘ৱাধরিং হাইটস’’** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ট্রান্সলেসন তৌবগে?
৪) **‘‘লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি’’** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৫) **‘‘অশিবা হুরানবা’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**শেংদোকচবা**

পাউচেসিগী ঙরাংগী ইস্যুদা ফোঙখিবা আর্টিকল - **‘মণিপুরসি ময়াম লৌতুনদুনা মূত্থৎলগদৌরবরা! শ্রী বিরেন অমদি ইমা ইবেল নত্তনা পাম্বৈ লৈররোই - ১’** অসিগী অনীশুবা পেরগ্রাফকী অহানবা লাইনদা য়াওখিবা ...*চোথে* কয়া... হায়খিবা অদু হেঞ্জিননা ইশিনখ্রে হায়না অইবগী মায়কৈদগী শেংদোরক্লি। **- অইবা :- ডা. অকোইসনা**